ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ০৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৬১শুবা মশীং

## থ্রো অফটর য়ুজ

### থবক্তুগী পোত্থারবশিংবু মৈথক্তা ঙৌবা

মণিপুর সেক্রেটরিএট সর্ভিসেস এসোসিএসন (এম এস এস এ), ইম্ফাল হেদ ক্বার্টরগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ওগষ্ট ৩১, ২০২২দা চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। চেরোলদু এসোসিএসন অসিনা লৈঙাক্কী মপি-মপা ওইবদা য়াওরিবা চীফ সেক্রেটরিদা মখোয়গী মনীং থুংদবশিং ফোঙদোকপনি। পীফম থোকই হায়বা অমসুং তানফম থোকপা দিমান্দশিং তানবনি। অদুগা এসোসিএসন অসিনা তাল্লক্লিবা দিমান্দশিংদু তানফম থোকই হায়দুনা পঙতান্দা তাল্লকপসু ওইরম্লোই। হায়বদি শামুগী মপোৎ ইরোইদা থোনগৎপসু ওইরম্লোই। মরম চাবা দিমান্দশিং ওইরমগনি। দিমান্দশিংদু লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোক্তুনা পীবা ঙম্বা নৎত্রগা ঙমদবা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফমনি। অদুবু চেরোলদুনা তানখিবা দিমান্দশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী পূক্নিং নুংশিবা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু তৌফম শুংথোক থোক্তবা থৌওং অমগী মায়োক্তা দিমান্দ অমা য়াওরি। মদুদি থবক্তুগী পোত্থারবা মীওইশিংদা মখোয়গী পীথোকফম থোকপা পেন্সনগী শেনফমশিং পীথোক্তে, পীথোকপীয়ু হায়বসিনি। এসোসিএসনগী দিমান্দশিংদু লোইনমক মরম চাবা দিমান্দশিং ওইরমগনি। অদুবু পেন্সন ফংলবা মীওইশিংদা মখোয়গী রিটাইয়রমেন্ট বেনিফিটশিং পীথোকউ হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্না মরম চাবা দিমান্দনি হায়বসিনি। মরমদি সর্ভিস মতমগী মনুংদা এমপ্লোয়ী অমগী মপাঙ্গল, মবুধি-মরৌশিং পূম্নমক লৈঙাক্না মঙোন্দা শিন্নরিবা থবক অদুগী মতুংইন্না শুমদুনা শীজিন্নহৌরবনি। অদুগা মহাক্কী সর্ভিস মতম লোইরদুনা সুপরএন্যুএসনদা থবক্তুগী পোত্থারবা মতমদনা মহাক্কী পেন্সনগী বেনিফিটশিং পীথোক্তুনা নমশিল্লগা থম্বা হায়বসিদি শীজিন্নবা লোইরগা লংথোকখিবা 'থ্রো অফটর য়ুজ' গী থৌওং চত্থরকপনি হায়দবা য়ারোই। চুহি শুম্বদৌনা শুমদোকহৌরগা চুবাদৌনা লংথোক্লগা হন্না-তুনা য়েংদবগী থৌওংসিদি লৌরমদাই তেংনা মানবী খাইনরমদাই য়োংমানবী হায়বদুগী থৌদৌনি হায়দবা য়ারোই।

হোয়, থবক্তুগী পোত্থাবা হায়বসিদি সর্ভিস মতম লোইদ্রিঙৈদা মশাগী হকচাংগী ফীভমদগী নৎত্রগা তঙাইফদবা ইমুংগী মরমশিংদগী ভোলন্টরি ওইনা পোত্থাখিবসু য়াই। মসি নৎত্রগনা সর্ভিস তৌরিঙৈদা চৈ কানবা থবকশিং তৌরকপদগী মরালগী মতুংইন্না ফোর্স রিটাইয়রমেন্ট ফাওবা পীবসু য়াওবা য়াই। অদুবু নমদুনা থবক্তুগী পোত্থাহল্লবা ফাওবদা মীওই অদুগী পীথোকফম থোকপা রিটাইয়রমেন্ট বেনিফিটশিংদি পীথোকপীগদবনি। মসিবু অতোনবা শেল থৌবদৌনা ৱারু-নুংজু থোকহল্লকপা চুন্লোই। মরমদি সর্ভিস তৌরিঙৈদা ফংবা মশাগী খূৎশুমল/হুমাংমল অদুনা মশাগী অমসুং ইমুংগী হিংনবগী পাম্বৈ ওইজরম্বনি। থবক্তুগী পোত্থারবদি হায়রিবা পাম্বৈ অদুসু হৌজিক চৎনরিবা পেন্সন সিষ্টমসিদদি ফংলরোইদবনি। মসি ওইরগদি থবক্তুগী পোত্থারবা মতুংদা মঙোন্দা পীথোকফম থোকপশিংদুদি পন্থদনা পীথোকফম থোক্তব্রা? মহাক্না ফংজগদবশিং অদুগী মনুংদা মহাক্না সর্ভিস তৌরিঙৈদা মহাক্কী অৱামলদগী ককহৌদুনা তুংশিনবীরকপা শেনফমশিংসু য়াওরিবনি। অদুবু থবক্তুগী পোত্থারবা মতুংদা হন্না য়েংদবগী ফীভমসিদি থবক তোক্লবনিনা চারুরনু, কংদুনা শিরবসু শিরো হায়বা নৎত্রা? মপাঙ্গল কল্লিঙৈদনা শুমদুনা শীজিন্নবা অদুগা চহী য়ামশিল্লক্তুনা শোন্থরল্লবা বুধি-লৌশিং হল্লক্তুনা ময়েং তারক্লগনা শিদ্রিবা ফাওবা কদাইদা করি থবক অমুক শুবা ঙম্লুখিগদৌরিবগে? থৌওংসিদি মৈথক্তা থাঙ্গৎপা অশাবা খাংদা লংশিনবগা মান্নে। তৌগনু চুমদে। চহী য়ামশিল্লকপা, অহল ওইরকপা হায়বসিদি পূক্নিং হকচাং অনীমক শোন্থরল্লবনি। ৱারৌ-পুক্লৌবসু হেনগৎলক্লবনি। অদুবু সিনিয়র সিটিজেনশিংবু লূনা-চান্না তৌবীগদবনি হায়বা মালেম পূম্বদা চৎনরক্লিবা ফজখ্রবা ৱাখল্লোন অমা লৈরিবনি। থবক্তুগী পোত্থারবশিং লাক্লগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১) ''লাইধি জাগোয়গী চীন্থাং ৱারী'' হায়বা লাইরিক অসি কনানা ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) ''মেনকাগী মচানুপী'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

৩) ''নিতি লীলা দিবারাস'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) ''পুন্সি অমসুং তিংখং'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ''অশংবা চীংমায়শিং/অমুবা ফিজোল হোংদোকখ্রবদা/কায়রক্লে ঋতুগী খোঙচৎ/ঈচেল লেপখ্রে তুরেলশিং/চেল্লক্লে লৈক্রক্কী ঈচেল'' শৈরেং অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## টিচর্স দে নুমিৎতা খল্লকপা ৱাখল খরা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭১৮**

**জিতেন নামৈরাকপম**



সেপ্টেম্বরগী অৱাওবা লৈচিল উরকখিদবা চহী কুমজা য়াম্লক্লে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা ওগষ্ট থা লোইশিল্লকপা সেপ্টেম্বর থা হৌরকপা মতমদা অয়ূক্তা লৈচিল থারম্মী। ইঙেন থা লোইশিল্লকপা থৱান, লাংবনগী অয়ূক ফজনা ঈংলম্মী। কৃষ্ণ জন্ম লোইখিবা থাখায় হেনখ্রে। থৌরানি জন্মসু লাক্লে। কৃষ্ণ জন্ম নুমিৎকী অয়ূক্তা পুখ্রিগী সিড়িদা কুমথরগা ইরুপ্তুনা মহাবলি তম্না লাই খুরুম্বা চৎকনি। ৱাওথাংনরবা লৈচিল নোংফাই মরক্তুদা অসুৱাই ফাওবদা লৈবা মী মশক উরবসু শকখঙবা ঙমদবা ফোগ নৎত্রগা মিষ্ট মরক্তুদা পুখ্রিদা লুপ্তুনা ইরুজবদু ওন্থোক্না ঈংখ্রে। ত্রৎ-ত্রৎ চিংশিনবা ফাওখি।

খল্লুরগসু হেন্না হেন্না নোক্লিংলকই। ইমান্নবশিংগা পুংবা শাদুনা খোঙনা য়ূমদগী লম্বী-খুল্লক ফাও ফাওদুনা পিশুমথোং লান্থোক্তুনা শীংজমৈ তারগা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান পরেং, থুম্বুথোং লান্দুনা মহাবলি তম্না মী চিল্লবা মীরক ফাও ফাওদুনা লাই খুরুম্বা, মহাবলিদা লৈরম্বা য়োং ময়াম হৈ-রা, কবোক হুনবীদুনা মচিঞ্জাক থাবীবা, য়োংশিং অদুনা ফন-ফন চোঙদুনা শান্নজবা মথং মথং চোঙখৎখিদুনা উথক য়ৌখিবা, ওন্থোক্না নুংঙাইবা কুম্মৈ ওইখি। মতম অদু পৈশা হায়গদ্রা নয়া পৈশা ৫, ১০, ২০, শিকি, মখায় চৎনরিঙৈনি। সিলভর সিলভর হায়নৈ। কোন্না খঙনরকই - সিলভর পৈশা কুন থাদরগা কাঙ্গোই, চেনা কোনবা মঙ্গল হৱাইদু মী ৩না চাবদা পুক থনগে তৌখি। অদুদসু নত্তে য়াওরক-য়াওরকপা শেলশিংদুনা লৈবা য়াবা কোন্নবা মখল মখলগী শান্নপোৎশিংগী ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বানগী পোৎফমশিংদগী লৈগনি। অঙাংশিংগী শান্নপোৎ পে-পে লাউবী, বেল্লুন, বোল, খুদোম্বীনা ত্রিএগরদা চিংলগা বিন্দি মানবা অঙাংবা মচুগী কান্থুক য়াওবা চেদা হাপ্লগা কাপকনি দাং! মদুদদা ঐখোয় হরাওজরিবনি, নুংঙাইজরিবনি। অদুগা অমুকসু লৈগনি নুপীমচা ওইরগনা লাইধিবী, শেম্ফু মখল মখল শুরবা শান্নপোৎ কয়া। মখল নাইরবা অশাবা উচেকশিং, মচু মচুগী লৈশিং, মশীং থিঙমদবা শান্নপোৎ ঙাক্তনি। অদুগা অমুকসু লৈগনি 'য়োং কৈরাক কাবী'। কাপ অনীরোম শাংবা তারা য়োম্বা স্প্রীংনা য়োম্লগা মথক মখা নাইনা গদ্রক-গদ্রক চোঙবা ঙম্বা য়োৎলা ষ্টিললা মদুনা শাবা য়োংনাওনি। ঐনা খ্বাইদগী পাম্বা শান্নপোৎসু য়োং কৈরাক কাবীনা ওইখিবু খঞে। মসিনি কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানি জন্ম, বামন জন্মগী ৱারী। মতাং অসি য়ৌরকপদা ঐখোয়না ক্লাস সভেন, আইটকা তম্লকপদা ওজা শ্রী নীলবির শাস্ত্রিনা ইবা ওইরমগদ্রা খঞে ৱারীমচা অদুগী মমিং 'রাজোগী ফুরিৎ' পাবদা ওন্থোক্না নুংশিখি। লায়রখ্রবা রাজেনা কৃষ্ণ জন্মগী লাই খুরুম্বা চৎপা নংনবা অমত্তা ঙাইরবা ফুরিৎ অদু শুজবা! চোৎলবা ফুরিৎ অদু কংবা ঙাইঙমদবদগী মমানা থল্লম্বা লফুরিৎশিংদু চাকশঙদা মৈ চাকহন্দুনা কংনবা ফৌবদা শোয়বদগী ফুরিৎ অদু মৈনা চাকপগী মথক্তা চাকখুম য়াওখিবা ওন্থোক্না নুংশিখ্রবা ৱারীমচা ওইখিবনি। ওজা শাস্ত্রিগী ৱাখলনা লামশিন্দুনা মশামক পীকখ্রবা অঙাং রাজো ওন্থোক্লগা ইখিবা ৱারীমচা অদু অদুক্কী মতিক ফজখি হায়নীংই।

সেপ্টেম্বর থা অসিদি ওগষ্ট, সেপ্টেম্বরগী ঐখোয়না নীংশিংখিবা ৱারী মতেক খরা অসি মঙাই। মণিপুরগী মীয়াম্না অকনবা ঈহৌ অমগা লোয়ননা নীংশিংনরকপদি জন নেতা ইরাবতকী নীংশিং থৌরমশিংনা ওইগনি খঞে। জন নেতা ইরাবতকী মতাংদদি থাবুম অমা চূপ্পা খন্ন-নৈনবা, মাগী মতিক মগুন, মথৌনা থিজিল্লুবদা লোইবা নাইগদবা নত্তে। মণিপুরদা মহাক্কুম্বা অমা পোক্লম্বসি খ্বাইদগী হেন্না ঙকপা অমনি। মাগুম্বা মীওই অমা লমদম অসিদা অমুক হন্না পোক্লক্কনি হায়বসি থাজবা লৈত্রে। করপসনগী মায়োক্তা লৈবা, অচৌ-অপীক খায়দোকপা য়াদবা, অমাং-অশেংগী মায়োক্তা লৈবা, লায়রবা, অৱা-অনা, লৌমী-শিন্মীশিংগী য়াইফনবা হোৎনবিরম্বা, দ্রামা, লীলা অমদি হীরম অমত্তদা মানা শোক্তবা লৈরমদবা, মীয়ামগী য়াইফনবগী লাঞ্জংদা অন্দরগ্রাউন্দ তাদুনা মতম অদুগী বর্ম্মা হৌজিক্কীনা ম্যান্মারদা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মাগুম্বা অতাঙবা মপারি অমা লমদম অসিদা অমুক হন্না পোক্লক্লরোই খল্লুবদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইতবা ফাওজে। সেপ্টেম্বর থা অসিদা জন নেতাগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচরি।

অমরোমদসু অমুক হৌজিক চত্থরিবা থা অসিদা য়াম্না রিমার্কেবল ওইবা থৌদোক কয়া মথং মথং লাক্তবা নত্তে। থা অসি য়ৌরকপদা অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সি হেক্তা নীংশিংলকই। ইরায় লায়না সেপ্টেম্বর ৫ টিচর্স দে অথিং অরাক লৈবা মরম খরনা মীয়াম্না হুপ্পা মদুগী থৌরম পাঙথোক্লদ্রগসু মতম অদুদি কাউগে ঙম্লুদে। হেন্না হেন্না ময়েক শেংলক্লি। 'ওজাগী নুমিৎ' সেপ্টেম্বর ৫, নুমিৎ অসিদা স্কুল খুদিংমক্তা য়াম্না চাওবা ফঙ্কসন ওইনা পাঙথোক্লরম্মী। মদুদগী হেন্দোক্তুনা ক্লাস খুদিংগী ফর্ষ্ট পেরিয়দ চঙবা রোল কৌবা ওজাদা লৈ পরেং হক্তুনা, ধুপ থাওমৈ কৎতুনা, অথুম-অহাও, হৈ-রা কৎচদুনা ওজাশিংবু লাৎচবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লরম্মী। শৈরেং থিবা, ঈশৈ শকপা, মোনোলোগ তৌবা, এক্সত্রা করিক্যুলর এক্টিভিটিজ পাঙথোক্তুনা নুংঙাইরবা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোক্লবগী চৎনবীসু লৈরমখি। হৌজিকসু তারিখ খেন্ননা টিচরস দে পাঙথোক্লরি। খুদম ওইনা ইন্টরনেসনল টিচর্স দেনা ওক্টোবর ৫দা মালেম পূম্বদা পাঙথোক্লরিবদু মঙাই। ওজাশিংবু ইকায়খুম্নজবা, লাই-গুরুগুম নীংশিংহঞ্জনীংই।

লুরিবদি মণিপুরদা এস এস এ অমসুং রমসাগী ওজাশিংনা মতম লেপ্তুবা ষ্ট্রাইক চত্থখিবনা মহৈরোয়শিংনা টিচর্স দে পাঙথোক্লখিদবা স্কুল কয়া লৈখ্রে তাজে। মসি য়াম্না নুংঙাইতবা পাউনি। মহৈরোয়শিংগীদমক কৎথোক্লগা তোলোপ ফংবা ফংদবা থিদনা মহৈরোয়শিংবু তাকপীরিবা ওজাশিংদা খুদোল মচা অমত্তং ওইরবসু পীজবা ফংখিদবা অসিমক্তি লাইবক থীবনি। মথক্কী পঞ্জখিবা স্কিম অমগী মখাদা চঙবিরকখিবা মতিক চারবা এস এস এ অমদি রমসাগী ওজাশিংবু হান্নগী মণিপুর গভর্ণমেন্ট টিচরশিংনা মান্নবা থাক্তা ওবজার্ভেসন তৌবিদুনা থা খরা তোলোপ চাং নাইনা ফংহনবীরম্লগা তোখায় তানা ন্যু একাউন্টকী হেদতা চঙহল্লগা থল্লগনি হায়বা লৈঙাক্কী ওর্দর অদু অথুবা মতমদা হন্দোকপীদুনা মখোয়বুসু টিচর্স দেগী মহাউ ফংহন্নীংই। মখোয়গী দিমান্দ 'নো সেগ্রিগেসন অমোং টিচর্স', 'দোন্ট দিমোরেলাইজ টিচর্স', 'নো চেঞ্জ ইন সেলরি হেদ', 'ইক্বেল ৱার্ক ইক্বেল সেলরি' খোল্লাউদা না মেনশিনবীগনু। হৌজিক মিনিষ্টর, ওফিসর, শেঞ্জাও পায়বা ওইরিবশিং মতম অমগী ওজাশিংগী মহৈরোয় ঙাক্তনি কাউবীগনু। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৮৩

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মপূং ওইবা কুম্মৈশিংগা লোয়নরম্বা অতৈসু মূৎখিবগুম তৌনরক্লে হায়বা য়ারে। অদুবু মণিপুরদা ইস্কোনগী মনি মন্দির সঙাইপ্রৌদা শাদুনা লৈরবা চহী খরগী মতুংদগীদি হিন্দু লাইনীংগী অনৌবা মায়োল অমা লাকপা হৌখ্রে হায়বা য়ারে। অকা অকুম নাইবা মালেমগী খুন্নাইগী খোঙচৎনিনা অহোংবদি তপ্না তপ্না উরক্লি। কুমজা কয়া মতমগী ঈরোলনুংদা মীরম লাইনীংদা থৱায় য়াওজবশিংনা মীরমগী থৌরম অমগী মমিং থোনজিন্দুনা/পুশিন্দুনা থম্লুরবসু মতম খরগী মতুংদগীদি ইরমদমসিগী লৈবাক খুন্নাইগী চাওখৎহন্নবগা মরী লৈনবা কুম্মৈ 'অথোং খোংচিংবনচিংবা' পাঙথোক্লবা হৌরক্লগনি। মতাংসিদা নীংশিংবা য়াবদি 'সনামহী লাইকন' কৌবা অরিবা লাইরিকসিদা অসুম্না য়াওরি - 'লোইদাম ইঙেল থাগী অথোং খোংচিং মহুৎ শিনবদি রথ যাত্রা কাংচিংয়ে।'' চেমায় ৬৪ (৭)। 'মাঙলুরবা ইশাগী ইনাৎকী থৌরমশিং/পোৎশকশিং হৌজিক্তা শোজৈ নৌনা পায়দুনা কোহ্লিং কারবা ৱাইখুশিং মথং মথং হাংনবা হোৎনরক্লে য়েলহৌ ইনাৎ কন্নিংবা অহল নহা কয়া কয়ানা খুন্নাইসিদা।'

লাংবন চরা তম্বনা মীরমগী লাংবন তর্পন উসবকী মহুৎ শিল্লকপা হৌরক্লোনগীদা অমুক হঞ্জিল্লকপা :- য়াম্না শম্না হায়রবদা লমদমসিদসু মীরম লাইনীং লীচৎতা থৱায় য়াওজখিবা মৈদিংঙু খরনা মখোয়গী পাথাং কোক পুথাং কোক্কী লাই ওইখ্রবা অহল লমনশিংদা হৌনবী লোনচৎতা হৈ অমতং, লৈ অমতং, লুকলেন অমতং কৎখিদনা মীরমগী চৎনবীদা মীরম লাইনীংদা মরাই হাইগৎলিঙৈদা তৌখিবদু হৌজিক্কী অহোংবা নাইবা খুন্নাইদা তপ্না তপ্না মমি শামলক্লে হায়বা য়ারে। অদুবু পুমতোকমক তোকপদি নৎত্রি। তর্পন কৎপগী মখল মখা কয়া লৈবদুদি মথৌ তাদবনা পঞ্জদ্রে। মতমদুদা তৌনরম্বদি অরৈবা ইনাক খুনবা, লৈতবা লায়রবা হায়বা থিদনা মীরম লাইনীংদা থাজমনখিবদগী ৱাখলদদি লৈখিদ্রবা মপাগী-মমাগী, মপুগী-মবেনগী, মচাগী, মপুরোইবগী, তালোইগী, মমৌগী- মখোয়শিংগী থৱায় মিরেলশিংগী মফমদা য়ৌহনবীনবা মীরম লাইগী খূত্থাংদা অমদি মীরম লাইনীংগী তিনশোন-লাইশোন তৌরগা কৎনরম্মীবমক্তনি। য়াম্না নাকোয়ননা মীরমগী লাইদা তাংজরগা লৈখিদ্রবা থৱায় মিরেলশিংদু য়ৌনবা হোৎনবা মতমদদি মীরম লাইগী অরেমখাকমক নৎত্রবসু পাথ চোথবা খরদু, হিংলিঙৈ মতমদা য়েক-শাগৈগী ঈয়েকচা ওইখিবশিংদুবু নমদুনা শিরবা মতুংদা মখোয় হিন্দু/গৌড় লাইনীংগী চৎনবীদা লম্বোইবা হায়বদু ওইহল্লে/ওইরে হায়বসিমক থাজনীংঙাই ওইরিঙৈদা, উতুপকা পাঞ্জক্লরবা শিরবা হকচাংদুদা থোন্নিংবা মমিং অমা থোল্লে হায়রিবদুদা কৎলিবা পোৎশকশিংদু করম্না ফংলমগনি হায়না খনবা ঙমগনি। খুদম ওইনা, তূম্লুবদগী/তূমখিবদগী মীকপ থোরক্ত্রিঙৈগী মনুংসি শিবা হায়বদু তম্বনি হায়নরিবনি। মতমদুদা মখোয়গী থোন্নিংবা মমিং অমা মশা খঙদনা থোনখিবদু মীকপ থোরকপদগী ইনুং শোয়বা হায়বদু ওইরবা মতমদা মশা খঙদনা থোনখিবা মমিংদু কৌবদা মশা খঙগদ্রা/য়ানীংগদ্রা? পাউখুমদি খঙলোই/য়ানীংলোই। চাংয়েং ওইনা ৱারী খরা শানবা য়ারবা অঙাং অমগী মমিংদু নত্তবা ইনৌ নৌবা মমিং অমা অঙাংদুনা তূম্লিঙৈদা থোনজিনবীবদু অঙাংদুনা মীকপ থোরকপদা অনৌবা মমিংদু হায়রগা অঙাংদুদা কৌবদা খুমসু খুন্লোই, ইঙক ঙক্না য়েংদুনা/তাদি তারগা চঙক্লদুনা অদুম লৈগনি। অচুম্বসি নত্তনা অতৈ থৌওংদি অচুম্বনি হায়না লৌবা য়ারোই। মসিখক নত্তনা ৱাখলনা শাবা অতৈদি লাইনীং খুদিংগীদা চপ মান্নরে হায়বা লৌরসি। থাজনীংঙাই ওইদ্রবা মরমসিদগী হৌরগা লৈখিদ্রবা থৱায় মিরেলশিংদুগীদমক্তনি হায়দুনা লুকমন (প্রসাদি) ফংবীনবা মী ময়াম অমা, তরা লুকোই মথেল য়াম্না, শেল য়াম্না তিংনা/চঙনা কৎলিবদু কান্ননীংঙাই ওইরিব্রা হায়বসি ইশা ইশাদা হংজফম থোক্তব্রা হায়বসিনি। হিন্দু লাইনীংগী মনুং চনবা ইস্কোনগী লীচৎতা লম্বোইবা হায়বসি মশা হিংলিঙৈ মতমদা মশা মশা খঙনা লাইমিং লৌবা মতমদা থোনখিবা মিংদুদি শিরবা মতমদসু অমুক ওন্দ্রবনিনা মদুদদি মতুংদুখক্কী ওইনদি থাজদবা হায়বদু ওইদ্রে/লৈত্রে হায়না লৌবা য়ারে। অদুনা মতাংসিদদি ইনাৎ লাইনীং লিচৎকী ওইনদি শিরবা মতুংদসু হিংলিঙৈদা কৌখিবা নহাল মখৈ কৌবা/কৌখিবা মিংদু অদুম হায়না কৌবা/খঙনবা হায়বদুগা চপ মান্নরে হায়না লৌবা য়ারে। অদুনা ইস্কোনগী ৱাখল্লোনগা ইনাৎকী ৱাখল্লোনগা ৱাফমসিগী মতাংদদি মান্নে হায়না লৌরগা গৌড়/হিন্দু লাইনীংগী ৱাখল্লোনগদি শুকমান মান্নদে। হায়রিবা ৱাফমসি মীরমগীদা তৌনদ্রগদি খঙদ্রে। তৌনরগদি মীরমগীসু মান্নদে হায়বদা লানগনি থাজদে। মথক্তসু থমজখ্রে। মীরম লাইনীংগী মরমদা ইনাৎ লাইনীংগী ওইবা ৱাফম পুশিন্দুনা হায়নীংদবগী মরমদি মীরম লাইনীং চৎপা মশাগী মশা ওইরবশিংনা ইনাৎ লাইনীংগীদা থোইনা য়েৎশিনবা লৈতবনিনা মীরমগী ওইবা ৱাফম ইনাৎ লাইনীং চৎপা ঐখোয়না করিসু হায়ফম থোক্তে হায়বসিনি। মসিনা মরম ওইরগা ৱাখল পরিং চুম্না খনবা ঙম্বা মীওই খুদিংমক্কুদি মীরম লাইনীংগী শরুক অমা ওইবা কৌনীংবা মমিংগী লাইনীং লাইশোন চৎপা অমনা শিরবা মতমদতা মীরম লাইনীংগী মনুং চনবা বঙ্গালি শাগৈ অমগী মমিংবু শীজিন্নরগা শিরবা মতমদা মিং ওনবগী চৎনবীসি পঙলিঙৈ নৎত্রবনিনা য়ানীংগনি থাজদে। খুন্নাইসিদা তোয়না তৌরম্বা থৌরমশিং উরুবদগী অমদি মখল মখাগী পামদবা মরম কয়াদগী ঙসিদগী চাওরাক্লা চহী তরামঙা, কুনমুক চৎখৎপা কুমজা কুমশিংদগী মতম অমদা পোইনু থাগীদা কান্নবশিং ফংবা ওইনা শিংথানরম্বা/হায়নরম্বদু চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ইঙেন থাগী কুম্মৈ অমদি লাংবন তর্পন থা হায়নরম্বা অনীসি হৌজিক্তদি নোং মতম চানা চুদবদগী কুম কাংবা হায়বদু ওইবদগী পোইনু থাদা কোট/কৈ ময়েং তাবগা পাঞ্জক্লবা হায়বা ফীভমদু ওইরক্লে হায়বা য়ারে। মতাংসিদা ঐখোয়না নীংশিংবা য়াবদি হান্না ইনাৎকী চৎনবীদা তৌরম্বা নোংকাপরৈ চনখ্রবা অহল-লমনশিংদা/শাগৈগী লৈখিদ্রবা ইয়েকচাশিংদা/ইমুং অমগী লৈখিদ্রবশিংদা শাগৈ অমগী মনুং চনবা য়ূম্নাকচাশিংগী/ইমুংদুগী হিংহৌরিবশিং মখোয় মখোয়গী লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লাংবন থাগী ১৬নি পানবদগী থাশুফাওবগী মনুংদা লাংবন হৈশোই তম্বা/থাবা, তিল্লুপ চাক খাংবা/তর্পন উসব কৎপা হায়বসি তৌনদুনা অদুম লাকই। অদুবু পামহৈবা নিংথৌগী হাক্তক্তুগী পিতৃলুক ঈরাৎ থৌরম ওইনা মহুৎ শিনখিবগী মতাংদা 'সনামহী লাইকন' কৌবা অরিবা লাইরিকসিগী চেমায় ৬৮দা অসুম্না ইরি- "লোইদাম লাংবন থাদা খল্লাং পাপনলোন অকেম্বা ইরেং পূপানলোন অমনবশিংগী, লূকলেন পূন্না শেম্না, চাক্লুক কৎপগী মহুৎ লায়না শিনবদি পিতৃলুক ঈরাৎ থৌনি শিন্নৈয়ে।'' কৌনীংবা মমিং কৌবা হিন্দু লাইনীং লাইশোন অমদি লিচৎনা মপান ফরিঙৈদা, ঈয়েকচা খরনা খঙদনা মীরম লাইনীং তাংজনীংদুনা, পঙথদুনা লৈরম্বদু মিকপ থোল্লকঙৈদা ঈনাৎকী অশেংবা ঈরাৎ থৌনি থৌরম ওইরম্বা মক্তনি খঙলকপদগীদি ইশাগী লাইনীং লাইশোনগী চৎনলোনচৎতা ঈনাৎকী থাজবা লাই শিদবা মপু অমদি অতৈ খোইয়ুম লাইশিংগী মফমদা চহী অমগী লাংবন থাদা লৈখিদ্রবা লাই ওইখ্রবা অহল লমনশিং অমদি নহাশিংগী থৱায় মিরেলশিংগীদমক মচা মশু, মমা মপা ওইবশিংনা মখোয় মখোয়না ঙমজবা/তৌজনীংবা মওংদা অরৈবনা য়াম্না কৎচবা, লৈতবনা ঙমজবা খরদং কৎচবদা মখল অমত্তগী নুংঙাইতবা অমদি চিংননীংঙাই লৈতে/ওইদে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।